# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা



Edith Mckenzie



Charlie, Oona and Geraldine



Joan Barry with her child, Carol

- চাপ্লিনগা উনাগা লোন্না **Santa Barbara** দা চয়োল ৬ লৈরকখি। অদুনা প্রেসমেনশিংনা মখোয়নীবু থিবা ফংখিদ্রে। খঙনবা কনা অমতা লৈত্রবা লমদুদা মখোয়নি কোয়মিন্নদুনা নুংঙাইনা লৈরকই। উনানা চাপ্লিনগী ৱাথোক্লা মথ্বায় নুংঙাইতবদু কোক্লবা লাইরিক হৌনা পাদুনা তাহনখি। মথ্বায় নুংঙাইনবা হোৎনবীখি।
- মখোয়নী **Beverly Hills** তা লৈবা চার্লিগী য়ূমদুদা জুলাই ২৬তা হল্লকখি। হল্লকপগা চার্লিনা মাগী অনৌবা ফিল্ম **Bluebeard** কৌবা অদু নম্নবা হোৎনরে। অতৈ থবক কয়াসু লৈরি চার্লিনা তৌগদবা। মাগী হান্নগী ফিল্ম **Shoulder Arms** হায়বদুগী কপি অমা পীরক্লবা **Brigadier-General Osborn** কৌবদুনা মঙোন্দা চিঠি ইরকপা লৈরিবনি। চার্লিনসু মাগী চহী ২৫শুরবা ফিল্ম অমা থিবীরকপা অদুদা হরাউনা পীনবা হোৎনরিবনি।
- ১৯৪৩গী ওক্টোবর ২গী নুমিদাংদা **Joan Barry** মচানুপী অমা পোক্লে। মমিংনা **Carol Ann** থোল্লে । কেসতুসু কনখৎলক্লে। **Federal Court** না সাক্ষি কয়া জবান লৌরে। মদুদা চার্লিগী ষ্টাফ মেম্বর পূম্নমক, মচা অনী অমসুং উনা ফাওবা জবান লৌখ্রে।
- কোর্টনা চার্লিবু মরাল লৈরে হায়রে। লোস এঞ্জেলিসকী আইন মতুং ইন্না মরী লৈনরুবা নুপী অমবু নমদুনা লমদুগী ৱাংমদা থাদোকপা য়াদে। অদুবু চার্লিনা **Barry** বু ন্যুয়োর্কতা থাদোকপদু আইন্না য়াদে। অদুগী মথক্তা **Barry** বু অহানবা ফারুবা পুলিস অদুফাও লৌতুনবা য়াওবগী মরাল লৈ হায়রে, **Barry** গী সিভিল রাইট মৎপগী।
- কেস অদু ফেব্রুৱারী ২৫, ১৯৪৪দগী বিচার হৌরে। চার্লিগী উকিলনা মমিং লৈরবা উকিল **Jerry Giesler** না ওইরে। মানদি চার্লিদা এক্ট অদু পানশিনবা মরম চাদে হায়রি। মার্চ ৩০দা চার্লিগী জবান লৌরে। মদুদা মানা **Barry** মমা-মচা ন্যু য়োর্কতা থাদোকখিবদু ফত্তবা ৱাখলদা তৌখিবা নত্তে হায়রি। অদুগা **Barry** না মাগা নক্লবা মরী থম্নখিবসু ১৯৪২গী মে থাদা অরোইবনি। অদুনা অঙাংদু মাগী নত্তে অসিনি। **Barry** নদি চার্লিনা  ন্য য়োর্কতা ৱা ঙাঙবা লাকপদা অমুকসু নক্লবা মরী থম্নখি হায়রি।
- অসুম্না জজ নুপী ৭ অমসুং নুপা ৫ না শাবা জুরি অদুনা পুং কয়া নৈনরবা মতুংদা মত অমতা ওইনা চার্লিবু মরাল লৈতে হায়না রাই তারে। **'Not Guilty'** হায়না মত মান্নরে। চার্লি হারাওবনা ৱা ঙাঙফম খঙখিদ্রে। পাউদু রেদিওদা তাবদা উনাদি য়ূমদা হরাওবনা ৱান্থখি।
- শোমদনা **Barry** গী মচানুপীদু থা ৪ শুরদুনা হায়নখিবগী মতুং ইন্না ঈ টেষ্ট তৌবদা তারে। ডাক্তর অহুমদা থারে। অমনা **Barry** গী ডাক্তর, অমনা চার্লিগী ডাক্তর, অদুগা অমনা সরকারগী ডাক্তরনি। মহাক্কী মমিংনা **Dr. Newton Evanus** কৌই। অদুনা ১৯৪৪গী ফেব্রুৱারী ১৫দা ঈগী ফল লাক্লে। মদুদসু অঙাংদুগী মপা চার্লিনা ওইফম থোক্তে হায়রক্লে। চার্লিগী ঈ গ্রুপ ওনি, **Barry** গীনা এনি অদুনা অঙাংদুগী ঈ গ্রুপনা বিনি। মসি ওইথোক্তে হায়রি।
- ঈগী ফল অসিগী মতুং ইন্না চার্লিগী উকিল **Lord Wright** না কোর্টতা কেস অদু লোইশিনবীনবা চে থাখ্রে। অদুবু ৱাফমদু সুপরিয়র কোর্ট জজ ওইরিবা **Stanley Mosk** না অয়াবা পীখিদে। মাগী মত মতুং ইন্না ৱায়েল অসি কূপ্না য়েংশিল্লগা লোইশিনবনা ফগনি হায়না মত পীরকখি।
- অদুনা কেসতু নৌনা অমুক লেপ্পবদা তারে। ১৯৪৪গী দিসেম্বরদা মতম লেপ্লে। অদুবু চার্লিদি মাগী নুপী উনাগা লৈমিন্নবদুনা নুংঙাইজরে। মখোয়নীগী অহানবা মচা ফংজগদৌরে। অদুনা মেদগী জুন ফাওবা লম কোয়দুনা লেল্লে। ওগষ্ট ১দা মচানুপী অমা ফংজরে। মমিংনা **Geraldine** থোনবীরে। থুনমক নাউয়োকপী অমা পামজৈ হায়না পাউচেদা ফোঙখ্রে। ওইজগে লাকপা ময়ামদুগী মরক্তগী স্কোটলেন্দগী লাক্তুনা অমেরিকাদা কুইনা থবক তৌরক্লবী **Edith Mckenzie** বু খল্লে। মশাগী চহী ৪০ লানবদা মঙায়রি। চার্লিগীদা চহী ৪০ রোম থবক তৌখি। ইমুং মনুংগী মীগুম লৈখি। অঙাং **Geraldine** নসু **Kay Kay** হায়না কৌজে। -মথং-মথং

# মকোক থোংবা হোলিৱুদ এক্ট্রেসশিং

## গ্লেন্দা জেক্সন

ইচম চম্বা পুন্সি মহীং অমদা হিংলম্বদগী মায় পাকপা মীশক অমা ওইরকখিবা মীওইশিংগী মনুংদা গ্লেন্দা জেক্সনসু অমনি। কুমজা ১৯৩৬ কী মে ৯ দা ইংলেন্ডগী বকর্নহেডতা পোকখিবী জেক্সননা অঙাং  ওইরিঙৈদা মফমদুগী ৱেষ্ট কর্বি কাওন্টি গ্রমোর স্কুলদা মহৈ তম্লকখি অমসুং নুপী ঙাক্তগী ওইবা দ্রামা কাঙলুপ অমদা য়াওরকখি। চহী অনীরোম হীদাক য়োনবা দুকান অমদা য়াওরম্লগা কুমজা ১৯৫৪ দা স্কোলরশিপ ফংবদগী রোয়েল একাদমি ওফ দ্রামাটিক আর্টতা তমখি।

কুমজা ১৯৫৭ তা মহাক্লা পুন্সিগী অহানবা ওইনা টেরেন্স রেটিগানগী ‘ সেপরেট টেবলস’ তা শক্তম লাংদুনা  ষ্টেজদা থোকখি। ফিল্মগী ওইনদি কুমজা  ১৯৬৩ দা ‘দিস স্পোর্টিং লাইফ’ তা রোল মচা অমখক ফংখিবদুনা অহানবনি। কুমজা  ১৯৬৪ দগী হৌরগা চহী মরি চুপ্পা রোয়েল শেক্সপিয়র কম্পনিদা য়াওদুনা দিরেক্টর পিটর ব্রুক্কী থিএটর ওফ ক্রুয়েলটি সিজনদা শরুক য়াখি।




কুমজা ১৯৬৯ দা কেন রসেলগী ফিল্ম ‘ৱিমেন ইন লভ’ তা শক্তম লাংদুনা মপুন্সিগী অহানবা একাদমি এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেস ফংখিবী জেক্সননা ওল্লকপা চহীদা য়ুনাইটেদ আর্টিষ্টসকী ‘দ ম্যুজিক লভরস’ তা কুমখি। মফম খরদা মীয়াম্না পাম্নরবসু মফম খরদদি পাম্নবা ফিল্ম ওইখিদে। কুমজা ১৯৭১ দা মহাক্লা মরু কোকথোক্তুনা বি বি সিগী সিরিয়ল ‘এলিজাবেথ আর’ দা ক্বীন এলিজাবেথকী শক্তম লাংখি। কুমজা ১৯৭১ দা ‘ মেরি,ক্বীন ওফ স্কোটস’ তা মহারানী এলিজাবেথকী শক্তমং লাংখিবগা লোয়ননা চহী অদুমক্তদা ‘সন্দে ব্লদিসন্দে’ দা কুমখি। অকোনবগী ফিল্ম অসিগীদমক বি এ এফ টি, এৱার্দ ফংখি। কুমজা ১৯৭৩ দনা ‘এ টচ এফ ক্লাস’ তা ফজবা পর্ফোমেন্স পীখিবগীদমক অনীসুবা একাদেমি এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেস ফংখি।

মতম খরা দ্রামারোমদা মায় ওনশিল্লুরবা মতুং কুমজা ১৯৮৯ দা কেন রসেলগী ‘দ রেনবো’ দা অন্না ব্রেং ৱেনগী শক্তম লাংখিবগীদমক শাংলবা চহী ২০ গী মতুংদা অমুক্কা হন্না একদেমি এৱার্দ ফংখি।

অকোনবদা জেক্সননা এক্টিংগী শিনফম থাদোক্তুনা পোলিটিক্সিতা মায় ওনশিনখি। কুমজা ১৯৯২ দা পাঙথোকখিবা ‘হাওস ওফ কম্মন্স’ কী জেনরেল ইলেক্সনদা হেম্পষ্টিদ এন্সঙ্গ হায়গেট কোন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইদুনা লেবর পার্টিগী এম পি ওইখি। কুমজা ১৯৯৭ কী মীখলদসু মায় পাক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর টোনি ব্লেৎরগী মখাদা মতম খরা জুনিয়র মিনিষ্টর ওইখি।

কুমজা ১৯৫৮ দা মহাক্লা লেবর পার্টিগী এদভাইজর রোই হোজেজদা ময়ুম পান্দুনা কুমজা ১৯৬৯ দা দেন হোজেজ কৌবা মচানুপা অমা ফংজখি। অদুবু কুমজা ১৯৭৬ তা মতৈ মনাও খাইনখি। কুমজা ১৯৭৮ দা কম্মান্দর ওফ বৃটিস এম্পায়র (সি বি ঈ) গী মীংথোল পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রবী গ্লেন্দা জেক্সননা ফিল্ম কুপ্লিঙৈদা ফংখিবা এৱার্দশিংগী মনুংদা ওস্কার এৱার্দ অনী, বৃটিস একাদেমি ওফ ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন এৱার্দ অমা অমসুং ইবসেন সেন্টিনিয়ল কমেমোরেশন এৱার্দ পনবা য়াই।




# INDIAN NAVY

AN OCEAN OF OPPORTUNITIES

*Indian Navy invites applications from unmarried eligible Male candidates who have passed Engineering Degree or are in the final year of Engineering course in any of the under mentioned disciplines from a AICTE recognized institute with 60% marks till 5th/7th semester in regular/integrated course respectively.*

| Ser | Branch/ Cadre | Eligible streams of Bachelor of Engineering/Bachelor of Technology | Vacancy | Gender | PC/SSC |
|---|---|---|---|---|---|
| EXECUTIVE BRANCH | | | | | |
| (i) | **Naval Armament Inspection Cadre (NAIC)** | (i) Electrical (ii) Electrical & Electronics (iii) Electronics (iv) Applied Electronics (v) Electronics & Communication (vi) Electronics & Tele Communication (vii) Electronics & Instrumentation (viii) Instrumentation (ix) Instrumentation & Control (x) Micro-electronics (xi) Mechanical (xii) Control (xiii) Industrial Production (xiv) Industrial (xv) Production (xvi) Aero Space (xvii) Metallurgy (xviii) Metallurgical (xix) Chemical (xx) Material Science (xxi) Computer Science (xxii) Information Technology (xxiii) Computer (xxiv) Computer Application | 12 | Male | PC |
| (ii) | **General Service (GS) / Hydrography Cadre** | BE/B.Tech (Any Discipline) | 27 / 3* | Male | SSC |
| TECHNICAL BRANCH | | | | | |
| (iii) | **Engineering Branch [General Service (GS)]** | (i) Mechanical (ii) Marine (iii) Instrumentation (iv) Production (v) Aeronautical (vi) Industrial Engineering & Management (vii) Control Engg (viii) Aero Space (ix) Automobiles (x) Metallurgy (xi) Mechatronics (xii) Instrumentation & Control | 28 | Male | SSC |
| (ii) | **Electrical Branch [General Service (GS)]** | (i) Electrical (ii) Electronics (iii) Tele Communication (iv) Electronics& Communication (v) Power Engineering (vi) Power Electronics (vii) Electronics & Instrumentation (viii) Instrumentation & Control (ix) Instrumentation | 32 | Male | SSC |

*** 27 vacancies for General Services and three vacancies for Hydro Cadre.**

ONLINE REGISTRATION OPEN FROM
12 JAN 19 TO 01 FEB 19



NOTE: 1. Identity proof is mandatory for online registration. For details visit www.joinindiannavy.gov.in & Employment New dated 12 Jan 18.
2. Please read the instruction given in the wensite carefully before submitting your "e-Application" form. Candidates can also call on Toll-Free number 1800-419-2929 and press Option 7 to speak to a customer care representative from Monday-Sunday between 0800-2000 hrs.

Scan this QR Code to apply online

davp10701/11/0042/1819